# ব্রোইলরদা মচীঞ্জাক করম্না পীজবীগনি

**ডা: সরাংথেম জেসমারানি**

ব্রোইলর মচীঞ্জাকসি ঐখোয়না চানরিবা চেঙদগী হেন্না তাঙই। মরমদি মখোয়সি অতোপ্পা মফমদগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। ব্রোইলর মচীঞ্জাক শেম্বদা মচল অয়াম্বা ঐখোয়গী লমসিদা মরাং কায়না ফংদবনিনা মপান লমদগী পুশিল্লকপনা মমলদি ৱাংনা লৈ। ব্রোইলর লোয়রিবা মীওই খরগী ৱাখলদদি লেপ্তুনা মচীঞ্জাক পীজরগদি য়াম্না থুনা নোয়বা ঙমগনি হায়বগী ৱাখলদা মচীঞ্জাক হাপ্পা পাত্র খুদিংমক মচীঞ্জাক ৱাৎহন্দনা থম্মী। মসি খক তৌবীরোইদবনি। মসিনা লায়না কয়া লাকপগী অচৌবা মচাক অমা ওই।


ব্রোইলরদা পীজরিবা মচীঞ্জাকশিংসি মচীঞ্জাক্কী কম্পেনি খেন্নবগী মতুংইন্না প্রীষ্টাটর, ষ্টাটর অমদি ফিনিসর হায়না খায়দোকপা য়াওই। মসি খরা অমদনা ষ্টাটর অমদি ফিনিসর হায়না খায়দোকপসু য়াওই। মচীঞ্জাকসি অনী থোক্লা ফংই। অমনা মফোন ঙাক্তা অদুগা অমনা উচি মথি মানবা মতুম মতুম তাবা অমা। হায়রিবা মতুম তাবসি শেম্বা মতমদা মচীঞ্জাক্কী মচল খুদিংমক ফুৎতোক্লগা মেছিন্দা মতুম মতুম শেম্লকপনি। মসিনা চাশিনখ্রগা তুম্বগী চাং অমদি মহাও হেনগৎহল্লি।

প্রীষ্টাটরদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি গ্রাম অমগী মচীঞ্জাক্তা চাদা ২৪-২৫ ফাওবনি অমদি মসিদা য়াওরিবা এনর্জিগী চাংনা ২৮০০ কিলো কেলোরিনি। হায়রিবা মচীঞ্জাকসি পুরকপা নুমিৎতগী হাপ্তা ২ ফাওবা পীজবীগনি। মথংগী মচীঞ্জাক হায়বদি ষ্টাটরসিনা হাপ্তা ৩দগী ৫ ফাওবা পীজবীগনি। মসিদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি ২২-২৩নি। অদুগা এনর্জিগী চাংনা ২৮০০-২৯০০ কিলো কেলোরিনি। অরোইবদা পীজরিবা মচীঞ্জাক মখলসিনা ফিনিসর কৌই। মসি হাপ্তা ৫গী মতুংদগী য়োনদ্রিবা ফাওবা পীজবীবা য়ারে। মসিদা য়াওরিবা প্রোতিনগী চাংসি গ্রাম অমগী মচীঞ্জাক্তা চাদা ১৯-২০নি অদুগা এনর্জিগীনা ২৯০০-৩০০০ কিলো কেলোরিনি।

কম্পেনি খরদনা মচীঞ্জাকসি মখল অনী থোকই। অহানবদা ষ্টাটর ফীদ, মসি য়েনাওনা পুরকপা নুমিৎতগী হাপ্তা ৪ ফাওবা অদুগা ফিনিসরনা হাপ্তা ৫দগী য়োন্দ্রিবা ফাওবা পীজবীগনি। নীংশিংবীগদবা অমনা মচীঞ্জাক মখল অমা পীজবা লোইরমদাই নুমিৎ ৩-৪নি ৱাৎলিঙৈদগী অতোপ্পা মখল হায়বদি মথং পীজগদবা মচীঞ্জাক্তুগা য়ান্নবীরগা পীজবা হৌবীগনি। মসিগী মতুংদা কোন্না পীজগদবা মচীঞ্জাক্তুনা চাং হেন্না হাপ্তুনা পীজরগা তুংদা অকোনবদুনা মপূং ফানা পীজবীগনি। মসিনা চাবা তুমদবা হায়বদি দাইরিয়াগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মথক্তা পীজবগী মওংসি খুদম ওইনা হায়রবদা অহানবদা প্রীষ্টাটরদগী পীজবা হৌগনি। মসি নুমিৎ ২৪নি পীজগদবসিনা নুমিৎ ১০নি শুরকপদগী ষ্টাটর য়ানবীদুনা পীজবা হৌবীরক্কদবনি। অহানবদগী প্রীষ্টাটরগী চাং ৱাংলম্বদগী অসুম অসুম হন্থহন্দুনা ষ্টাটরগী চাং ৱাংহন্দুনা তুংদা ষ্টাটর ঙাক্তা পীজবীগনি। অসুম্না ষ্টাটরদগী ফিনিসর ওন্থহনবদসু মথক্তা হায়জরিবা অসুম্না পীজবীগনি। মচীঞ্জাকসি অহানবদা পীজবা মতমদদি য়েনাও হেক পুরক্লগা মকোন্দা হাপ্পীরবা মতুংদা ইলেক্ট্রোলাইট পীথকপীরবা মতুং পুং ১ লৈরগা মচীঞ্জাকসি মকোন মথক্তা পাউচে/চে থাবীরগা মচীঞ্জাকসি চাইথোকপীগনি। মসিদা য়েনাওনা নীংথিনা চারবা মতুংদা অমুক অপাকপা পুখমগুম্বদা অমুক থম্বীরগা চাবা অমুক হৌহনবীগনি। মসিগী মতুংদা মচীঞ্জাক হাপ্পা পাত্রদা হাপ্পগা হুমনি শুবদগী পীজবা হৌবা য়ারে। অহানবা নুমিৎ নীনিদি মচীঞ্জাক ৱাৎতনা পীজবীগনি। মসিদসু ঈশিং ৱাৎতনা থম্বীগনি। মচীঞ্জাকসি নোংমদা অহুম্লক থোক্লা পীজবীগনি। মচীঞ্জাক অনৌবা হাপ্পা খুদিংগী পাত্রদু শেংদোকপীরগা হাপ্পীগনি। অহানবদদি মচীঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক পীক থন্না হাপ্পীদুনা য়েনাওদা মচীঞ্জাক চাননবা এনকরেজ তৌবীগনি। মসিগী মতুংদা মচীঞ্জাক্কী পাত্রদা তঙ্খায়দগী হেন্না হাপ্পীরোইদবনি। রিছর্স ফাইন্দিংগী মতুংইন্না :-

ক) করিগুম্বা মচীঞ্জাক্কী পাত্রদা মচীঞ্জাক পীক থন্না হাপ্লগদি চাদা ৩০দি মচীঞ্জাক মাঙই।
খ) করিগুম্বা মচীঞ্জাক্কী পাত্রদা মচীঞ্জাক শরুক অহুম থোকপগী ২ থন্না হাপ্লগদি চাদ ১০ মাঙই।
গ) করিগুম্বা মচীঞ্জাক্কী পাত্রদা শরুক অহুম থোকপগী অমা হাপ্লগদি চাদা ১ মাঙই।

য়েন চাউরকপগী মতুংইন্না অপিকপা পাত্রদা মচীঞ্জাক পীজরম্বদু অচৌবদা অমুক ওন্থোকপীরক্কনি। মচীঞ্জাক পীজবা মতমদা ঈশিংসু মতম পূম্বগী ওইনা ৱাৎতনা থম্বীগনি। ঈশিং অমদি মচীঞ্জাক হাপ্পগী পাত্রগী মওং :




**মচীঞ্জাক অমদি ঈশিং থম্বগী মওং**

য়েনগোন্দা য়েন মশীং য়াম্না লৈরগা মচীঞ্জাক হাপ্পগী পাত্রদু য়ামদনা লৈবা থেংনৈ। মসি তৌবীরোইদবনি। মরমদি মচীঞ্জাক থারকপা মতমদা য়েন অমগা অমগা মচীঞ্জাক মুন্নদুনা চানবা হোৎনবদা এনর্জিগী চাং য়াম্না হন্থে অমদি লূম্বগী চাংসু হন্থহল্লি। য়েন অমদা চঙগদবা মাগী চান্নবা মফমদু মখাদা পীজরি।

| চহী | চান্নবগী মফম/য়েন |
|---|---|
| ওনবা নুমিৎতগী নুমিৎ ১৪শুবা | ২.৫ সী এম/২" |
| নুমিৎ ১৫দগী ৪২শুবা | ৪.৫/১.৭৫" |
| নুমিৎ ৪৩দগী য়োনবা ফাওবা | ৭.৫/৩" |

মচীঞ্জাক হাপ্পগী পাত্র খুদিংমক ৱাংখৎনা থম্বীগনি। ৱাংখৎনা থম্লগদি মচীঞ্জাক চাবদা হেন্না চাবা ঙম্মী। ৱাইকুপ ময়াম অমা মচীঞ্জাক্তা তাশিনবগী চাং য়াম্না হন্থে। মচীঞ্জাক হাপ্পগী অৱাংবসি য়েনগী মনীংগী অৱাংবসিনা মচীঞ্জাক্কী পাত্রগী মথক্কী মপানগা ৱাংবা মান্নহননি।

য়েনাওনা চয়োল অনীশুবা ফাওবসিদা নীংথিনা পীজহৌবসিনা তুংদা মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহল্লি। মসিদসু নত্তনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। চয়োল অনী ফাওবদা য়েনাও অমনা মচীঞ্জাক ৪৫০-৫০০ ফাওবা চাখ্রগদি মাগী লূম্বগী চাংসি ৩১৫-৩৯০ ফাওবা য়ৌই।

ব্রোইলর লূম্বগী মতুংইন্না পীজবগী চাং :

| চহী | লূম্বগী চাং (জি) | নুংতিগী পীজগদবা (জি) |
|---|---|---|
| ১ | ১১০-১৩০ | ১৪-২১ |
| ২ | ৩১৫-৩৯০ | ৩২-৬০ |
| ৩ | ৫৪০-৭৩৫ | ৫০-৭৭ |
| ৪ | ৮২৫-১১০০ | ৬৭-৯৪ |
| ৫ | ১১৮৫-১৪৭৫ | ৯০-১১৫ |
| ৬ | ১৫৬০-১৮৮০ | ১০৫-১৩৫ |
| ৭ | ১৯২০-১২৯০ | ১১৭-১৫২ |
| ৮ | ২১৯০-২৪২৫ | ১৫০-১৭০ |

**মচীঞ্জাক পীজবদা চেকশিনবীগদবা কাঙলোন খরা :** ১) য়েনাওশিং লুম্না থম্নবা হোৎনবদা মচীঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক মফম চানা থম্বীগদবনি। পীরিবা মৈশা মনাক নক্না মচীঞ্জাক্কী পাত্রদু থম্বীরোইদবনি। লুমহনবা লোইরবা মতুংদদি মচীঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক নুমিৎকী মৈশা ফংবা মফমদা থম্বীগদবনি।

২) মচীঞ্জাক্কী পাত্র খুদিংমক মচীঞ্জাক হাঙহন্না থম্বীরোইদবনি। করিগুম্বা হাঙবা তারগদি য়েন থল্লিবা ৱাইশিং অদু খোৎলগা চাবা হৌরক্কনি। য়েন অমগা অমগা চিক্লবগী চাংসু ৱাংহল্লি। মসিনা লায়না পোক্লক্তুনা শিবগী চাং ৱাংহল্লি।

৩) মচীঞ্জাক্কী পাত্র মশীং হন্থনা থম্বীরগদি মচীঞ্জাক চাবা মতমদা অমগা অমগা কৃক কৃক ইন্নদুনা চাবা ৱাৎপা অমদি মচীঞ্জাক লৈমায়দা হৈদোকপা অসি য়াম্না তোয়না থোকই। মরম অসিনা য়েন মশীংগী মতুংইন্না পীজ পীথকপগী পাত্র থম্বীগদবনি।

৪) অরিবা মচীঞ্জাক পীজবীরোইদবনি। করিগুম্বদা মতুম তাশিন্দুনা লৈবা নৎত্রগা কোকফাই শুজা কাবা থেংনরগদি হায়রিবা মচীঞ্জাকসি পীজবীরোইদবনি।

৫) য়েনগী মচীঞ্জাকশিং মফোনগী শরুক্লা য়াম্না হেনহল্লোইদবনি। মরমদি মচীঞ্জাক চাবা মতমদা মচিন্দা নৎত্রগা খৌনাওদা নপ্পা থোকখ্রগদি মচীঞ্জাক চাবা ৱাৎলি। মসিনা লূম্বগী চাং হন্থহল্লি।

৬) য়েন মচীঞ্জাক হাপ্পা মতমদা করিগুম্বা লেম্বা তারগদি লেল্লিবা মচিঞ্জাক্তু অনৌবা মচিঞ্জাক্কা তোৎশিন্নরগা পীজবীগনি।

য়েন লোয়বা মতমদা মচীঞ্জাক্কা হেন্না চঙবা মরম্না ঐখোয়না পীজবা মতমদা হেন্না চেকশিন্না পীজবীগনি। বন্দ/ব্লোকেদ তৌবা মতমদা য়েন মচীঞ্জাক্কী মমলসি অসুক্কী মতিক ৱাংই। মসিনা য়েন লোয়রিবা কাঙবুশিংদা অচৌবা অৱাবা অমা ওইবতা নত্তনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা য়েন লোয়বদা চঙশিল্লক্লিবা খুদিংমক্লা অৱাবা কয়াসি মায়োক্লবগা লোয়ননা য়েন লোয়বদা শেন্দোং ফংনা লোয়বা ঙমহন্দে। অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমা ওইহল্লি অমদি য়েন লোয়নীংবগী ৱাখল লৈহন্দে। মরম অসিনা য়েন লোয়বীরিবা কাঙবুশিংবু য়োকখৎমিন্নসি। ●

# ইন্টিগ্রেটেদ পেষ্টস মেনেজমেন্ট শীজিন্নদুনা ফৌদা তাবা তীলশিং ঙাকথোকপা - (৩)

**লোংজম বোরিস**

| ভেজিটেটিভ ষ্টেজ (পাম্বীনা চাওখৎলবা মতম) | |
|---|---|
| Stem borer (ময়োন চিকপী/নুংয়েং) (ময়োন চিকপা) | Fipronil 80%WG 20-25 g/ac<br>Flubendiamide 20% WG 50 g/ac<br>Flubendiamide 39.35% M/M SC 20 g/ac<br>Thiacloprid 21.7% SC 200 g/ac<br>Thiamethoxam 25% WG 40 g/ac |
| Leaf folder (মনা কোনশিনবী) | Chlorantraniliprole 18.5% SC 60 g/ac<br>Chlorantraniliprole 0.4% G 4 kg/ac<br>Fipronil 80%WG 20-25 g/ac<br>Flubendiamide 39.35% M/M SC 20 g/ac<br>Flubendiamide 20% WG 50-100 g/ac |
| Brown plant hopper and WBPH (ৱাইকুপ মানবী তীল) | imidacloprid 70% WG @ 30-35 g/ha or imidacloprid 30.5% m/m SC @ 60-75 ml/ha or ethofenoprox 10% EC @ 500-750 ml/ha or acephate 75% SP @ 666-1000 g/ha or buprofezin 25% SC @800 ml/ha. |
| Gall midge (উতোং শাৎপী) | Chlorpyriphos 20% EC 500 ml/ac<br>Fipronil 5% SC 400-600 g/ac<br>Fipronil 0.3% GR 6.5-10 kg/ac |
| Hispa | Spray quinalphos 25% gel @ 1000 ml/ha or chlorpyrifos 20% EC @ 1250 ml/ha. |
| Caseworm (মরেক) | Spray phenthoate 50% EC @ 160 ml/ac. |
| Panicle initiation to booting (মপাল তম্বা মতম) | |
| Stem borer (ময়োন চিকপা) | Chlorantraniliprole 18.5% SC 60 ml/ac<br>Chlorantraniliprole 0.4% G 4 kg/ac<br>Chlorpyriphos 20% EC 500 ml/ac<br>Fipronil 5% SC 400-600 g/ac |
| Leaf folder (মনা কোনশিনবী) | Chlorantraniliprole 18.5% SC 60 g/ac<br>Chlorantraniliprole 0.4% G 4 kg/ac<br>Fipronil 80%WG 20-25 g/ac<br>Flubendiamide 39.35% M/M SC 20 g/ac |
| | Spray of imidacloprid 70% WG @ 30-35 ml/ha or imidacloprid 30.5% m/m SC @ 60-75 ml/ha or ethofenoprox 10% EC @ 500-750ml/ha or acephate 75% SP @ 666-1000 g/ha or buprofezin 25% SC @ 800 ml/ha. |
| | Flowering |
| Bworn plant hopper/White backed plant hopper (ৱাইকুপ মানবী তীল) | imidacloprid 70% WG @ 30-35 ml/ha or imidacloprid 30.5% m/m SC @ 60-75 ml/ha or ethofenoprox 10% EC @ 500-750 ml/ha or acephate 75% SP @ 300-500 g/ha or buprofezin 25% SC @ 800 ml/ha |

ফৌদা তাগনবা তীলশিং লাকশিন্নবা লৌখৎপা য়াবা পান্থে খরা

| Sl. no | Insect Pests | Cultural practice |
|---|---|---|
| 1. | Caseworm (মরেক) | • ফৌ পাম্বীগী মরক্তা স্পেসিং 30x20 cm থম্বীবনা মরেক তাবা হন্থহল্লি।<br>• ঙন্না ফৌ থাবনা মরেক তাবা হন্থহল্লি।<br>• ঈশিংগী ঈমাই হন্থহনবনা মরেক তাবা হন্থহল্লি।<br>• নাইট্রোজেন দোজ চাং মান্ননা হাপ্পীবা অমদি নাইট্রোজেনগী দোজ অসি split ওইনা চাইবীবা |
| 2. | Gall midge (উতোং শাৎপী) | • মমাঙ লৌরোক্তা থারম্বা পাম্বীগী মকোক অমদি মশাশিং নীংথিনা মাঙহনবা। লৌ খোইবা মতমদা খোইগাইবীখিবা।<br>• নাইট্রোজেন অমদি পোটাসকী ফর্টিলাইজরশিং হাপফম থোকপা চাং খক হাপ্পীবা। |
| 3. | Rice leaf folders (মনা কোনশিনবী তীল) | • ঙন্না থাবীহৌবনা তীলসি তাবা হন্থহল্লি।<br>• ফৌ পাম্বীশিং লন্না থাবীবা।<br>• ফর্টিলাইজরশিং অসি কা হেন্না হাপ্পীদবা। |
| 4. | Yellow stem borer (ময়োন চীকপী) | • ফৌনা মতোনশিং চপথৎতুনা মাঙহনবা। অসুম্না তৌরবদি তীল মরূমশিং অদু ফাথহল্লি।<br>• অতেনবা ভেরাইটিশিং থাবীবা।<br>• পাক্তক্লনা চরূ খোকশিং মাঙহন্দুনা তীলগী মরূশিং মাঙহনবা। |
| 5. | Brown plant-hoppers (ৱাইকুপ মানবী তীল) | • নাইট্রোজেন য়ুরিয়া হার কা হেন্না হাপ্পীদবা, য়াম্না কূৎনা থাবীদবা, ঈশিংগী ইনিল চাং কা হেন্না য়াওবা।<br>• মতম চানা থাবীবা হায়বদি লৌকোন অমদা মতম চানা থাবীবা। |

ৱারোইশিন : লৌমীশিংনা থাজরিবা মহে-মরোংশিং অসি তীলশিংনা মাঙহন-তাকহনবা থোকহল্লি। তীলশিংনা তোয়না অকায়বা পীবা মরম্না লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন্দসু চাউনা অকায়বা পী। অঙৈং অশাগী খল কায়রকপা, মপানলোমদগী অনৌবা ভেরাইটিশিং পুশিল্লকপা, লৌউ-শিংউবদা ইন্টেন্সিফিকেসন লাকপা মরম্না ফর্টিলাইজরশিং কা হেন্না শীজিন্নবা অমদি পেষ্টিসাইদশিং শীজিন্নবনা লৌউ-শিংউবদা চাউনা অহোংবা লাকপা থোকহল্লি। কা হেন্না তীল হীদাক শীজিন্নবনা মহী চূপ্পা তীল মখলশিং হায়বদি aphids, white flies, jassids শিং অসি তীল হীদাকশিংনা হাৎপা ঙম্বগী শক্তি অদু হন্থহল্লি। মরমশিং অসিনা তীল কাঙনা লৌউ-শিংউবদা চাউনা অকায়বা পীবা য়াই হায়বসি মশানা অদুম তাকচরে। মরমশিং অসি লৈবনা ইন্টিগ্রেটেদ পেষ্টস মেনেজমেন্ট হায়বা থৌওং অসিনা তীলশিং লাকশিন্নবা য়াম্না মরু ওইবা পান্থে ওইগনি। ●

# ফৌগী মতম থেংজিল্লক্লবসিদা পায়খৎপীগদবা থবক থৌরমশিং

**ডা: ৱাইখোম জিতেন**

চাক্লা মপূং ওইবা চীঞ্জাক ওইবা লম ওইবনিনা ফৌ থাবা অমদি মসিগী পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপগা লমদম অসিগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফংগৎপগা য়াম্না মরী লৈনৈ। ঐখোয়না খঙই মণিপুরগী লৌ উনরিবা অপূনবা লমগী চাদা ৮০দি নোংজু লৌরোক মতমসিদা ফৌ থাই। অদুনা লমদমসিদা ফৌ থাবা য়াদবা অমদি অথাবা ফৌদা অমাঙ অতা থোকপা হায়বসি লৌমীশিং অমদি মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমনি। চীংখোঙ চীংয়াগী লম কয়া অমা ফৌ থাবা য়াদনা লৈবগী নুংনাংবা মরকসিদা লমদমসিদা হঞ্জিন-হঞ্জিন থোকখিবা ঈচাওনা ফৌগী লৌফম কয়া অমা ঈশিং থুমজিনখিদুনা নৌনা ফৌ থানবা ঙাইবা অমদি হৌজিক ফাওবা ফৌ থাবা য়াদনা লৈনবা য়াওরি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিদা থাগদৌরিবা/থারিবা ফৌশিং অদুগী পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং কাঙলোন চুম্না পায়খৎপনা পোত্থোক-চাথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্থেনি।

**নৌনা ফৌ থাগদবা :-** মতাং অসিদা ঐখোয়না থাগদবসি ফৌ অদু লিংথোকপীগদ্রা নৎত্রগা পাম্ফেল হুনবীগদ্রা? লৌহোন শেমদুনা লৈরবা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ২৫ মপূং ফারবা লৌহোনশিংনা লিংথোকপীগদবা ওইরবদি তঙাইফদ্দনা ওগষ্ট ১৫ ফাওবগী মনুংদা লিংবীবদা পোত্থোক থোইদোক্লা হন্থহল্লোই। করিগুম্বা হৌজিক ফাওবা লৌহোন লৈত্রিবা নৎত্রগা পাম্ফেল হুন্দ্রিবা ওইরবদি অতেনবা মতমদা লোক্কদবা ফৌ মখলশিং খনবীদবা য়াদে। জুলাই ৩১ ফাওবগী মনুংদা পাম্ফেল হুনবগীদমক অতেনবা মতমগী ফৌশিং খুদম ওইনা CAU-R3, RC Maniphou -12, Pari phou অদুগা ময়ায় ওইনা শাংবা ফৌ মখলদা CAU-R1 অমদি RC Maniphou07 (RCM-9) শীজিন্নবীবা য়াই। ওগষ্টকী অহানবা চয়োলদা পাম্ফেল/দেপোগ লৌহোন শেম্বীরগা থাবা য়াবা ফৌশিং হায়বদি মথক্তা পনখ্রিবা অতেনবা মতমগী ফৌ মখল অহুম্মক শীজিন্নবীবা য়াই। ওগষ্ট ১৫ অমসুং মসিগী মখা তারকপা মতমদা পাম্ফেল হুন্নবগীদক পারিফৌ শীজিন্নদুনা ওগষ্ট ৩১ ফাওবা ফৌ হুনবীবা য়াই। নীংশিংবীগদবদি ফৌ লিংগদবা/পাম্ফেল হুনগদবা মফমশিং অদু শেম্বীবা মতমদা হাপফম থোকপা হারশিং মতিক চানা হাপ্পীহৌদুনা ফৌ অদু থিন্থদনা শাহৌ ফনা হৌখিনবা হোৎনগদবনি। থেংজিল্লক্লবা মতম অসিদা ফৌ পাম্বীনা থুনা মপূং মরৈ ফানবগীদমক ফোসফরসকী হার হায়বদি সিঙ্গল সুপর ফোসফেটনচিংবা হান্না পীবা চাংদগী চাদা ২৫ ফাওবগী চাং হেনগৎনা পীবা ফৈ। মরম অদুনা লিংথোক্লিবা/পাম্ফেল হুনগদবা লৌফম শেম্বদা য়ামদ্রবদা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট কেজি ৬৫-৭০, য়ুরিয়া কেজি ১৭.৫-২০ অদুগা ম্যুরেট ওফ পোটাস কেজি ৮-১০ হাপ্পীহৌদুনা ফৌ পাম্বীগী মতম তেনশিন্নবা হোৎনবা ফৈ মদু নৎত্রবদি ঈংশিনখিবনা হান্দুনা ফৌ শাৎলু য়াদবগী অৱাবা মায়োক্লবা য়াই।

**অহৌবা লৌফমদা লৈবা ফৌশিং চাউদম থিনবা :-** মমাঙঙৈ মতমদগী অহল লমনশিংনা ইঙেন য়ৌরবদি ফৌ হুনবদা ইঙেন লাইচুগানি হায়না নুংশা থীনরকই। তশেংনমকসু জুলাই অমসুং ওগষ্টকী মতমদা হৌবা ফৌ অয়াম্বা লৌহোন/লিংথোকপদা ঙাইরিবা/পাম্ফেলগী লৌফমশিং অদু চাউদম থিন্দুনা ফৌগী ফৌদোনশিং অদু চরূ মচু ওইরকপগা লোয়ননা লোংজিন শানা কোনশিন্দুনা লৈবা থেংনগনি। অসিগুম্বা ফৌ পাম্বী খরা ফুক্লগা মরারোমদা খূৎনা পাম্বীদু পায়বীরবা মতুংদা অঙৌবা চেবাং অমদা ফৎ-ফৎ কনবীবা মতমদা উৎ মচু/অমুবা তীলকুপশিং চেনবা উবীগনি। অসুম তৌরবদি থিন্থদনা ইঙেন লাইদগী ঙাকথোক্লবা Chloropyriphos 20% EC মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা লৌ শঙম অমগী লৌফমদা পম্প ৪/৫না কাপথোকপীগনি মদু নৎত্রগনা Chloropyriphos 50% EC য়াওবা হীদাক মখল অসিগী হীদাক মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা কাপথোকপীদুনা ফৌ পাম্বীদু শুংজিননা লৈরুবদগী ফৌগী পূন্সিগী মতম শাংদোকহল্লোইদবনি। ফৌ থাখ্রবা/পাম্ফেল হুনখ্রবা লৌফমশিং লৌফম শেম্বদা হার হাপহৌদ্রবদি য়ারিবমখৈ থুনা হার হাপ্পীগদবনি।

নাপী হীদাক্কী চৈথেং :- হৌজিক্কী মতম অসিদা মীওইবনা হিংবদা চঙবা পোৎলম খুদিং তাঙবনিনা খুল্লংগী মমলসু তাঙই। মসিনা মরম ওইদুনা ফৌগী লৌফমদা নাপী হীদাক পাক শন্না শীজিন্নরি। অসুম্না নাপী হীদাক শীজিন্নবা মতমদা হীদাক্কী চাং হেন্না হাপ্পা/হাপকদবগী মওং লান্না হাপ্পা/হীদাক মখল অনী/অহুম য়ানশিন্নরগা অমুক্তদা হাপ্পা/তোঙান তোঙানবা হীদাক মখলশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন চাইশিনবা/শীজিন্নগদৌরিবা হীদাকশিং অদু মতম চানা চাইদবনচিংবনা হৌরিবা ফৌ পাম্বীশিংদা চাউদম থিলহল্লি। করিগুম্বা মতমদা ফৌ পাম্বীশিংগী মশক-মওং ফাওবা হোংহল্লি। নাপী হীদাক খক্তনা লৌফমদা লৈবা নাপী পূম্বা মাঙহনগনি খনবগী ৱাখল থাদোকপীয়ু। মদুম তৌরবদি ফৌ পাম্বীশিং শোকহনবা নৎত্রগা লৌফমগী লৈবাক লৈহাও শোকহনগনি। নাপী হীদাক্লা শোকহল্লবা ফৌ পাম্বীশিংগী অনৌবা ময়োলশিং কোনশিন্দুনা লৈবা, ফৌ পাম্বীশিং অদু চুম্না হৌগৎপগী মহুত্তা পুংফাই পাম্বীগী মওংদা ইফন ফন্দোক্তুনা লৈবা, পাম্বীগী মরাশিং অদু অকুপ্পা মরাশিং মাঙখিদুনা ঙৌরোক ঙৌবা অচৌবা মরাশিংদমক লৈরকপা, পাম্বীশিং অদু চগন্নবা অমদি ফৌনাশিং খোইদ্রিং-খোইদাংবা থোকহল্লি। অসিগুম্বা মওং অসি থেংনবীরবদি গ্রোথ রেগ্যুলেটর অমা কাপথোকপীগনি। অসিগুম্বা মওং অসিদা শীজিন্নবা য়াবা হীদাকশিংগী মনুংদা Puspak মিলিলিটর ২০ ঈশিং লিটর ১৫ য়াল্লগা/Humicel মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি। হীদাক মখলশিং অসিগী মিলিলিটর ১০০না লৌ শঙম অমদা কাপথোকপীগনি। মতম থেংজিল্লকপগা লোয়ননা ফৌগী শাহৌ ফংদবা, মপূং মরৈ থুনা ফাহন্দুনা অঙৈংবা মতম য়ৌদ্রিঙৈদা ফৌ পাম্বীশিং শাৎকায়দুনা মরূ চঙহনবা ঙমহনগদবা লৌউ কাঙলোনশিংতমক শীজিন্নবীয়ু। ●

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-২৪৯

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

মিংলেললকতকি তাইপঙচামবা মিংকৌবা। লাকচাথীনা লালঙমলে। নোংয়াই মাগী খুৎশু য়াই। শৌবোল য়াইরেল য়াই অথোইবা। সৌবোল য়াইরেল য়াই অহেনববু। খুৎলৈ থুনা নাপী শিংবী নারোৎনুংদা। হুনজিন লংশিলনা থৈনা লোৎপা। নোংয়াই শৌবোল য়াইরেল য়াইশু। নুংলেল য়াইওইবা খোমলক লোকলকয়ে। অদু নুমিৎতগীবু। মৈদিংঙু লোইনাই থৱালথাবা। কোংলৌ নাথেৎ মাঙবা। থোংলেল লালয়াম ফাবা। খুমল নোংয়াই অরুপা। অতোন খুমল তারমবা। খুমল ৱাংতৈ য়াঙপা থোংঙাইপাসুবু। লাকচাথীনা লালঙমবা। হেঙঙাই সৌবোল য়াই লোকপদি। চোইনৌ সনা ফুদোংলবগুমবু। মঙাল নাইনা সনা মিংলেল মিংথোলগা। থোইনা হেলনা চুশিননা চানবনে। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -꯲꯴꯹

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯟꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯕ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ॥)

ꯃꯤꯡꯂꯦꯜꯂꯛꯇꯛꯀꯤ ꯇꯥꯏꯄꯡꯆꯥꯝꯕ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕ॥ ꯂꯥꯀꯆꯥꯊꯤꯅ ꯂꯥꯜꯉꯝꯂꯦ॥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯃꯥꯒꯤ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯌꯥꯏ॥ ꯁꯧꯕꯣꯜ ꯌꯥꯏꯔꯦꯜ ꯌꯥꯏ ꯑꯊꯣꯏꯕ॥ ꯁꯧꯕꯣꯜ ꯌꯥꯏꯔꯦꯜ ꯌꯥꯏ ꯑꯍꯦꯅꯕꯕꯨ॥ ꯈꯨꯠꯂꯩ ꯊꯨꯅ ꯅꯄꯤ ꯁꯤꯡꯕꯤ ꯅꯥꯔꯣꯠꯅꯨꯡꯗ॥ ꯍꯨꯅꯖꯤꯟ ꯂꯡꯁꯤꯜꯂꯅ ꯊꯩꯅ ꯂꯣꯠꯄ॥ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯁꯧꯕꯣꯜ ꯌꯥꯏꯔꯦꯜ ꯌꯥꯏꯁꯨ॥ ꯅꯨꯡꯂꯦꯜ ꯌꯥꯏꯑꯣꯏꯕ ꯈꯣꯃꯂꯛ ꯂꯣꯛꯂꯛꯀꯌꯦ॥ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯕꯨ॥ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯂꯣꯏꯅꯥꯏ ꯊꯋꯥꯜꯊꯥꯕ॥ ꯀꯣꯡꯂꯧ ꯅꯥꯊꯦꯠ ꯃꯥꯡꯕ॥ ꯊꯣꯡꯂꯦꯜ ꯂꯥꯜꯌꯥꯝ ꯐꯥꯕ॥ ꯈꯨꯃꯜ ꯅꯣꯡꯌꯥꯏ ꯑꯔꯨꯞꯄ॥ ꯑꯇꯣꯟ ꯈꯨꯃꯜ ꯇꯥꯔꯃꯕ॥ ꯈꯨꯃꯜ ꯋꯥꯡꯇꯩ ꯌꯥꯡꯄ ꯊꯣꯡꯉꯥꯏꯄꯥꯁꯨꯕꯨ॥ ꯂꯥꯀꯆꯥꯊꯤꯅ ꯂꯥꯜꯉꯝꯕ॥ ꯍꯦꯡꯉꯥꯏ ꯁꯧꯕꯣꯜ ꯌꯥꯏ ꯂꯣꯛꯄꯗꯤ॥ ꯆꯣꯏꯅꯧ ꯁꯅ ꯐꯨꯗꯣꯡꯂꯕꯒꯨꯝꯕꯨ॥ ꯃꯉꯥꯜ ꯅꯥꯏꯅ ꯁꯅ ꯃꯤꯡꯂꯦꯜ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯂꯒ॥ ꯊꯣꯏꯅ ꯍꯦꯜꯂꯅ ꯆꯨꯁꯤꯟꯅꯅ ꯆꯥꯟꯕꯅꯦ॥ ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪**

১) **"বোমা তাদুনা লৈবাক কাইনখিবদগী ফোংবা ঙমদদুনা লৈরুবনি। মরুপ মপাং ময়াম্না ঐগী লাইরিক অতৈ পাবিরগা পিবিরকপা উৎসাহদগী লাইরিক অসিমসু ফোংবা ঙমজরি।"** মথক্কী ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা পনবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২) "The Recluse in Solitude Speaks" হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৩) **"অহিং অমগী ৱারী"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মপানগী অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে অমসুং কনানা ইবনো?

৪) **"হোচীমিনগী মঙালদা ঙাওজরুই"** হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) **"নীংশিংবগী পোত্থাশঙ"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।